# মণিপুর-নাগালেন্দ ঙমখৈদা উংখৎনবা লেপত্রি ঙমখৈ লানশিন্নদুনা লৌতাংশঙ মৈ থাদোক্লখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৯ঃ মণিপুর-নগালেন্দগী ঙমখৈদা লমগী চয়েৎনবা ৱাহৌদগী নাকল অনিগী খুঙ্গাশিংগী মরক্তা উংখৎনবা লেপত্রি। ঙমখৈ ৱাংমা লানশিন্নদুনা লৌতাং- শঙশিং মৈ থাদোক্লবদগী অমাং-অতা থোক্লখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা নগালেন্দগী ফেক ডিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা মেলোরি খুল অমদি উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না ঙমখৈদা লৈরিবা জেসামি খুল অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মনুং পামদবা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোককখিবনি।

মেলোরি অমদি জেসামি খুঙ্গাশিংগী মরক্তা লৈবা *তেভুমো মিলূ* হায়বা লমগী শরুক অসি নাকল অনিনা মতম কয়াগী মমাংদগী ক্লেম তৌনদুনা চয়েৎনবা অসি থোরকখিবনি।

লমগী ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা হন্দক্তা খূৎলায় পায়বা মেলোরিগী খুঙ্গা ময়াম অমা জেসামিদা লানশিল্লক্লগা ভি ডি এফ (ভিলেজ ডিফেন্স ফোর্স) অমা য়াওনা খুঙ্গা তরুক ফাদুনা পুখ্রগা  তমথিনা ফুরগা থাদোকরকপদগী ঙমখৈদা সি আর পি সিগী ধরা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমদুনা লৈরকখিবনি।

ঙমখৈদা মেলোরি অমদি জেসামি অনিগী মরক্তা উংখৎনরকপগী শন্তাইনবা ঙমদনা উংখৎনরগা লৈরিঙৈ মরক ইনৌ নৌনা নগালেন্দগী ফেক ডিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা মেলোরি খুলগা থংননা লৈরিবা মাতিক্রি খুলগসু জেসামিগা  লমগীদমক উংখৎনরকপা হৌরক্লে হায়রি।

ফেচূ তুরেল খক্তনা খল্লিবা নগালেন্দ-মণিপুর অনিগী ঙমখৈ অসিদা নগালেন্দগী মাতিক্রি  খুঙ্গাশিংগসু জেসামিগী খুঙ্গাশিংগগী মরক্তা *মেশিডা* খুল নাকল অনিনা মুন্নরকপদগী অনৌবা ঙমখৈগী ঈৱাং অসি শাগৎনরকখিবনি হায়রি।

নগালেন্দগী মাতিক্রি খুঙ্গাশিংনা ক্লেম তৌরিবা মেশিডা অসিদি শাংলবা মতমদগী জেসামিগী অশেংবা লম ওইদুনা মফম অদুদা হিংনবগী লম্বী ওইরগা লাক্লিবনি হায়নসু মফম অদুগী খুঙ্গা অমনা *নহারোলগী থৌদাং*-দা ফোংদোরক্লি।

মাতিক্রিনা ঙমখৈ লানশিন্দুনা চয়েৎনরিবা *মেশিডা*-দা  পামলৌ উশিল্লকপদগী জেসামিগী খুঙ্গাশিংনা ঙৱাং নুমিদাং মখোয়গী লৌতাং-শঙ অনি মৈ থাদোকখি হায়রি।

মসিগী লমন শিংবা মানবা মওংদা মাতিক্রিগী মশিং য়াম্নবা খুঙ্গাশিংনা মখুৎতা খূৎলায় পায়দুনা চঙলক্লগা মী লৈহৌদবগী খুদোং চাবা লৌরগা ঙসি অয়ুক মফম অদুদা চংশিল্লক্তুনা জেসামি খুঙ্গাশিংগী লৌতাং-শঙ য়ামদ্রবদা কুনতরুক মৈ থাদোক্তুনা অমাং-অতা থোহল্লমখিবনি হায়রি।

মাতিক্রি খুঙ্গাশিংনা ঙমখৈ লানশিন্দুনা চংলক্লগা লৌতাং-শঙশিং মৈ থারম্বা অদুদা পৱার টিল্লর অমা, মফমশিং অদুদা পৈদুনা থম্বা ফৌশিং, পাইপ মকোল মাপল, থবক শুবদা শিজিন্নবা খুঙ্গাশিংগী খূৎশু-খূৎলায়শিং য়াওনা অমাং-অতা কয়া থোকখ্রে। অদুবু নাকল অনিনা উংখৎনবগী মওংদা লৈরবসু কা-হেনবা হিংশাগী থৌওংদি হৌজিকমক্তী ওইনা চখনবদি লৈত্রি হায়না মফম অদুদগী ফংবা পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

পনবা য়াবদি, মেলোরি-জেসামি অনিগী মরক্তা উংখৎনরিবা অসিগী শন্তাইনবা অমা পুরক্লবগীদমক নাকল অসিগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবচিংশিং য়াওবা মীফম অমা মে ৩ দা পাঙথোক্লবা য়াম্নখিবা লৈখ্রবনি।